# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-41

**(Impact of Climate Change on Agriculture and Crop Production)**

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) ফাইরেনজাও-এগ্রিকলচরিষ্ট (২) শিলহেনবা-ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্টিষ্ট (৩) মনিমুক্তা - রিছার্চ স্কোলর (জিওগ্রাফি)

নুপী:- (১) তম্পাকলৈমা - ফাইরেনজাওগী নুপী
(২) মতৌলৈবী - রিছার্চ স্কোলর, শিলহেনবগী মচলনুপী

(মতম:- অয়ুক অঙনবা, মফম: ফাইরেনজাওগী য়ুম, নোংচুবগী মখোল)

ফাইরেনজাও :- তম্পাকলৈমা ! করিনো অয়ুক ঙন্তাসিদা নোংবু খোংবও, খাকপও তৌরক্লিবসিবো, হায় নোংসু কন্না তাথরক্লেনা, মায়কৈ পুন্বা পুন্মম মমখরে, ইমুংসিসু নুমিদাংগুম পুমমম মল্লেনে, নঙবু লেম্পলা করিনো অমতদি পুরকউনে ঐবু করিমতা উদরেনে।

তম্পাকলৈমা :- ইস ! ওন্থোক্লা কন্না চুথরক্লে নোংসে, করি মতৌনো ঙসিসিবো, লেম্পদুনা কদোমদা লৈখ্রগেনে তৌরিসিবো।

ফাইরেনজাও :- হায় নঙবু লেম্প পুরকউ হায়বদুবু কৈদৌরগেনে, ৱা অমতং হায়বদা তৌনিংগুম তৌনিংদবগুম ইবেম্মা নঙসিমা...।

তম্পাকলৈমা :- হো ঐসু থীরিয়ে, মমগা মন্বসিদা থীফম খঙদদুনা তৌবনি কৈদৌগে, মোয় কাকাগী হৌনবী হান্না লৱায় লেম্ফুদা হেক্তা লাকপীদু হৌরক্লবরা?

ফাইরেনজাও :- লৱায়লেম্ফুদা লাকপগী ৱা নৎতেনে, নঙগী নওংদুবু হায়বীবগী ৱানীনে।

তম্ফাকলৈমা :- লৈরে লৈরে সে লেম্প হায়দু, করিনো হৌজিকপু লৌরোক পান্থাসিদা নোং অসুক কন্না চুরিসিবো, ফৌ চরোং পুম্নমক নোংলিক্লা ফুদৎতুনা লোয়না কেনখিবা তারে।

ফাইরেনজাও :- নোংসিনা নোংমা নিনিদং লেপ্তুনা তারবদি ঈশিং চাওবদি মশোয়দরে, ঈশিং চাওরবদি ফৌশিংসু লোয়না ঈশিং থুমজিনখিদুনা পুম্নমক মাংলগনি। হন্দক চহিসিমদি পোৎথোক ফজনা থোক্কনি খল্লম্বনি অদুবু মরম অমা নত্রগা অমা হেক্তা লাক্কুনা মহৈ-মরোংশিংসে ফজনা লোকপা ঙমদরে।

তম্পাকলৈমা :- খঙদরে খঙদরে, লাইসিসু কৈদৌরবনো খঙদে ঐখোয় মীওইবশিংসে চারা হেনহন্দুনা কংশী শীহনলগে তৌরিবরা খঙদে।

ফাইরেনজাও :- নোং তাহন্নীংবা মতমদনা শুংতা হেক তাদে তারোইদবা মতমদনা হেক তা নুংঙাইদৌরি ঐখোয় মীওইবশিংসে, পুম্নমকসে ঐখোয়না থোকহঞ্জবা ঙাক্তনি, মালেমসিগী এটমোস্ফিয়ারদা কার্বোনডাইওক্সাইদ থাদোরকপগী চাংদি নোংমা নোংমগী অসুম হেনগৎলক্লি অদুনা মালেমসিগী শাবগী চাংসু অসুম অসুম ৰাংখৎলক্লি অদুনা নোংজুগী চাংদসু অকাইবা ওইরকপা হায়বসিদি মশানা তাবনি।

তম্পাকলৈমা :- নোংনে হায়দুনা তৌরিসিনা হাংবদি লায়রদনা হেন্না কন্নদুম চুথরকইনে, অতৈ লাইরি মোয়কাকা নচানুপা মনিমুক্তাদুবু মোর্নিং ৱাল্কিং চৎলুনি হায়দুনা অয়ুক ঙন্তা মল্লি মল্লি তৌরিঙৈদগী থোকখিবনিনে, লন্বীদা নোং শোয়দনা নংলল্লনি।

ফাইরেনজাও :- হায়নে পুমচোৎ চোৎলম্বা তারে, ঐবু অস্বাইফাওদং ছাটিন অমা তুপ্লগা চৎতুনা য়েংবীরুসিরা?

তম্পাকলৈমা :- অসুক কন্না চুবা নোংসিদসু কদায়দগী ছাটিন্নগা য়াগবনোদা, অস্বাইদা নোং থুপ্তুনা লৈজরমগনি, নোং খরা পাথরগা অদুম লাকচনিদা, অমুক চৎপিখ্রনু নোং চোৎলগা লোক থুংদুনা নারগা ঐঙোন্দা অৱাবা ওইনি।

ফাইরেনজাও :- নঙসিদি ওন্থোকপা নুপীনি, পুকচেল ওন্থোক্লসু পীকখরে, ইচা মনিমুক্তাসে নবুকথোক্কী নচাহেক ওইরল্লবদি ঙসাইনা ঐঙোন্দা নোং মরকসিদা ইচা করম তৌরমগনি, চোৎলল্লগনি অমুক্তা ওকপীরুচো হায়দুনা ঙরং ঙরং ঙংলমগনি।

তম্পাকলৈমা :- কৈনা মোয় কাকা ঙসি মোয়কাকানা হায়রিবা ৱাদুবো, ইচা মনিমুক্তাসে ইচেগো ইতৈগেনা পীশক পীক্লা হুন্দোক্তুনা থম্বরিস্বা মতমদুদগী ইচা শক্লা চাওননবা ঐনা য়োকচরকপনি, নোংমতসু ইচাবু ঐনা পোক্তবনি হায়বা ৱাফমসে খনখিবা লৈতরি, ঐনা হেক হীংলিবমখে খনগদবসু লৈতে। মোয় কাকাগী ঙসিগী ৱাঙাংসে পুক্লিং য়াম্না নুংশি (কপ্পা)।

মনিমুক্তা :- (নোং অদুম কন্না তাবা) ইস ! নোংসিসু ওন্থোক্লা মতম চাদনা কন্না চুখরে, পুমলুপ লুপ্লেনেসে, কৈদৌরে ইমামচা কপ্পীদুবু কৈদৌরগে হায়বনে।

তম্পাকলৈমা :- কৈসু তৌদেদা, সে সে তাউৰেলসিনা নকোক নরু চোৎলিবশিংদো হান্না অমুক্তা তৈথোকখোসে।

ফাইরেনজাও :- ইবুংঙো নঙবু নোং মরকসিদা হোবে হোবে লাকতৌ শরুক কদাইদনোমা ঙহাক নোং থুপ্তুনা লৈরকপা য়াদবরো, নশাদু পুমচোৎ চোৎলেদো অমুক নাদুনা তোক্লরনি।

তম্পাকলৈমা :- সে সে অকংবা ফীরোলসে হোংদোকলোসে, ইমামচা চা লোনলুখিগেকো।

মনিমুক্তা :- হোয় ইমামচা, অয়ুক অঙনবদুদদি অতিয়াসে লৈচিল নোংফাই অমতসু থাঙবা উদে কদোমদগীনো খঙহৌদন হৌরকপা নোংদুনা অসুক কন্না চুথরক্কনি হায়বদি খল্লুদে, অস ঙহাক্তংদুদা চুথরকপা নোংদুদি অঙকপনি লন্বীগসে ঈশিংনা পুমথুম থুন্বাজাৎনি, নালাশিংসু লোয়না ফৎতা হাওদিশিং প্লাষ্টিক খাও, বোটলশিংনা পীক থন্না থাদদুনা ফুনজিনলবনিনা ঈশিংসু অমতা চেন্থফম লৈতদুনা শোরোক্তা ওইনা চেল্লবনি, গাড়ীগা অমতা থৌবা য়াহৌদরে লন্বীদো।

ফাইরেনজাও :- খঙদরে ঐখোয়না তৌগদবসে, মীওইবশিংসিনা মশা মশাগী ঙহাক ঙহাক্কী নুংঙাইনবতা খল্লি তুংদা করি থোল্লক্কদগে, অকাইবা করি ওইরক্কদগে হায়বদি অমতা খন্নদে, নুংঙাইনবা হোৎনবদা চীং-মান কয়া লেপ্তুনা কোকথোক্লি, অচৌ অচৌবা ৰাংলা ৰাংলবা বিল্ডিং কয়া লেপ্পা লৈতনা শাগৎলি, ইন্দষ্ট্রি কয়া লেপ্পা লৈতনা লিংখৎলক্লি, মীপুম খুদিংমক গাড়ী অমমম থৌদুনা চৎনরক্লি, লেপ্পা লৈতনা গ্রীন হাউস গ্যাসশিং থাদোরকপদগী গ্লোবেল ৱার্মিং থোরকপদগী ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকুতনা মহৌশাগী খোঙচৎ কাইরকপদগী অৰাবা কয়া মায়য়োক্লরক্লি হায়বা খঙলবসু কনানসু থৌশানদে।

তম্পাকলৈমা :- চা লৈজরে মোয়কাকা, ইবুংঙো ! সে চা অশাবসিমা থকচিনলোসে নশাদু খরা শাগৎনবা, বিস্কুইটসু লৈরেস চারো চারো। নোংসি উচিন নাচিন্নদি খরা পাথখরে, ঐদি ঈশিংবু চাওরদরা খল্লুরবনি, হৌজিকপু তুরেল লৈরায় নীংখায়রক্লবদি কমাই তৌনি খল্লুবদা পাখৎলুরবনি।

তম্পাকলৈমা :- (চা থকপা) নঙগী পি.ঐইচ.দি. তৌনবগী রেজিষ্ট্রেসনদুবু করম কান্দা তৌগদৌরিবনো, তৌগদৌরিবা টোপিকতুনা করিদনোনে।

মনিমুক্তা :- ঙসি নোং নিনি লৈরগদি রেজিষ্ট্রেসন তৌনবগী নোটিশ থোল্লক্লনি, টোপিকতি 'ইম্পেক্ট ওফ ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওন ক্রোপ য়িল্ড এন্দ ফেমিন' হায়বদুদা ওইনা তৌরগনি।

ফাইরেনজাও :- হৌজিক অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাংদা অকায়বা অহোংবা কয়া ওইরকপদগী লৌউ-শিংউবগী পোৎথোক কাহেন্না হন্থরক্লবদি মালেমগী মফম অয়াম্বদা, পোৎথোক অসিনা অহুমক হন্থরকপা তারবদি চাক তাংবা থোক্তুনা মীওই কয়া চাবা ফংদবগী অৰাবা কয়া মায়য়োক্লরক্লগনি। ইচানা রিছার্চ তৌগদৌরিবা টোপিক অদুদি হৌজিক ওইরক্লিবা মহৌশাগী ফীভমসিগা য়াম্না চান্নবা টোপিকনি। মায়পাক্লবা হোৎনগদবনিকো।

মনিমুক্তা :- হোয় কাকা, ইমামচা ! ঙসিদি ঐ য়ুনিভর্সিটি খরা ঙন্না চৎকে, চাক থোংদোক্লুরসি লাকও, ঐ এঙ্খাং শেমগৎলক্লগে।

তম্পাকলৈমা :- লাকও লাকও, ইমামচা চাক পরপ পরপ থোংলগে, করি এঙ্খাং থোংসিগে।

মনিমুক্তা :- ইমামচা, ঐ পানসে খেৎলক্কে, শগোলহৱাইগা পানগা থোংবা চানিংঙি, য়োংচাকসু খেৎলক্কে য়োংচাক শিংজু অমা শুসি।

তম্পাকলৈমা :- হোয় হোয় চাসি চাসি, ঐগী ইচাসে ওন্থোক্লা মরম মোকখরেদকো, লাইরিক্তা মীকোক থোংবদা নৎতে, নুপানা তৌগদবা নুপীনা তৌগদবা থবক হায়বা অমা অমুক লৈতে, ইচানা হৈতবা অমত্তা লৈতে, ইচাদি মনিমুক্তানে মনিমুক্তা।

ফাইরেনজাও :- অদুনবু নুংশিনা ঐনা ইচাবু মনিমুক্তা হায়না মীং থোল্লিবনিনে (নোকপা)।

-ম্যুজিক-

(মতম: নুমিদাংৱাইরম, মফম: শিলহেনবগী য়ুম, টি.ভি. থাবগী মখোল)

মতৌলৈবী :- দাদা... দাদা... কৈদৌরগে ইশা নুংঙাইত্রবরো নুমিদাংৱাইরমসিদা সোফাসিদা ফজনা তুম লৈরল্লিসিবো... তারবো দাদা... কৈদৌরগে হায়বনে... সে হৌগৎলো হৌজিকপু তুন্বা মতমলা হায়বা সে হৌগৎলো... টি.ভি. সিসু অদুম থা লৈরে য়েংসু য়েংদনা... হৌগৎলো হায়বনে।

শিলহেনবা :- ইস ! ঐদি টি.ভি. সুম য়েংলম্বদগী ৱামন্দুনা ঙহাক নুংঙাইনা তুমথোক্লুরেদনা, ঙসিদি ওফিসতসু থবক চীনমন্দুনা ঙহাক্তা ফাওবা শংদদুনা চা গ্লাস অম ফাওবা থক্লবা মতম ফংদদুনা থক্লক্তরে, নঙবু য়ুনিভর্সিটিদগী হল্লকপা কয়াম কুইরগে, ইবুংদি নঙ হল্লকপগা অমতা খঙহৌদর।

মতৌলৈবী :- ঙহাক ওইরে, ঐদি দাদা সোফাদুদা ঙাথরগা টি.ভি. নুংঙাইনা য়েংলিবোই খন্দুনা ঐগী কাদা অদুম চৎলবা, ফীরোল হোংদোক্লুরগা থোরকপদদি দাদা তুল্লগা লৈবদু খঙলক্তুনা হৌদোক্লিনি।

শিলহেনবা :- ইবুংদা চা অহাওবা শঙ্গোম নঙ নঙ লাওবা, চা মনা কুংতক তৌবা, চীনি ময়াই ওইরপ থুন্বা অমতদি লোনলগা পীথকউদনা।

মতৌলৈবী :- হো তা চাওবা... তা চাওবা চা অহাওবা কপ অনিদা লোনবীরকউবা, ঐগা ঐখোয় দাদাগা থক্লবা।

শিলহেনবা :- হে কৈনোনে মসিগী নুপীমচাসিবু, মঙোন্দা চা লোনলকউ হায়রগা, মানা তাদা চাওবদা অমুক থৌদারিসিবো, নঙনে, মতৌলৈবী নঙ খরদি হেনমনলবনিকো, নুপীমচা অমা ওইবগী ইমুং-মনুংগী থবক অমতা তৌনিংদে, হয়েং মীগীময়ুমদা লৈরকান্দা চন্নজরোই, মীনা অহল লমন্না তাকপী তম্বরিক্তবা মাল্লে হায়ননিকো। ঐ মীগী মমাঙদা চোপ্তুনা তোক্লরনি।

মতৌলৈবী :- কৈনো দাদা, তা চাওবনা ঐখোয়দা থা থাগী তলপ পীদুনা থল্লিবসিবু করি তৌনবনো?

শিলহেনবা :- ইমুং মনুংগী থবক ইনখাং তৌবীনবা মী ৱাৎপনিনা ঐকোয়গীদি তাদা চাওবসে থবক ইনখাং তৌবীনবা থল্লিবনিনে, অদু কৈদৌরগে।

মতৌলৈবী :- অদু ওইরদি ইমুংগী মকুপ মতা, চাক ঈশিং থোংবা, চা লোনবা পুম্নমকসে তা চাওবনা তৌফম থোক্তবরা, ঐনা অমুক তৌগদরা হায়বা, ইমুংগী কুপনোমশিংসে মাগী তৌফম থোকপা মথৌনি।

শিলহেনবা :- নঙসিদি ইবেম্মা, ঐনা ঙাংনবগা ঙমজপোৎ নৎতে, য়ারে য়ারে ইবুংনে চাগা অমতা থকচররোই (শাওনিংবা)।

মতৌলৈবী :- ঐ চা লোন্নিংদবগী ৱা নৎতেয়ে দাদা, ইশা ইশাগী ইথৌ মশক খঙনা তৌনসি হায়বগী ৱানি।

শিলহেনবা :- ইশাইশাগী ইথৌ মশক খঙনা পাংথোকপা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই, অদুবু ইবেন্মা মফম তাঞ্জাগী মতুংইন্না অঙম-অঙন্বা মতেং পাংনবা হায়বসিসু য়াম্নমক দরকার ওইকো।

মতৌলৈবী :- অদুবুদি চুম্মী দাদা, ঐ লানখরে দাদা, তা চাওবনা চা লোনবা লোইরম্লগনি ঐ লৌরুরগে অদুগা থকমীন্নরসি হায়বা, সে ঐ লাঞ্জরে দাদা।

শিলহেনবা :- হোয় হোয় লৌরুরো লৌরুরো। ওন্থোকপা অঙাংনিদকো ঐনা খরা লুনা তৌবসিদা নাও চাওরে, করম থোল্লগবা.......।

মতৌলৈবী :- দাদা সে চা লৈরে, অদো দাদা ৰা অমা হায়গে শাওগদরা?

শিলহেনবা :- ৰা অমা হায়গেসু হায়, শাওগদরাসু অমুক হায়, শাওদৌবা ৰা ওইরদি হায়রকঅনু, চাসিদুম মেন তানা অমুক্তা থকখিগে।

মতৌলৈবী :- ইমাগা বাবাগনা ঙন্তা ঐখোয়বু হুন্দোক্তুনা লাইরমলেন্দা তীনখরে, দাদাগা ঐগা অমদি ঐখোয়গী থবক ইনখাং সুবিদুনা ঐখোয়বু শেন্নবিরিবা তা চাওবগা ঐখোয় অহুমদং তরক তরক চাওখ্রবা য়ুমসিদা লৈবসে য়াম্না নুংঙাইতে।

শিলহেনবা :- অদু কৈদৌরবা, কৈদৌরগে হায়বনে নঙগী অৰাৎপা ননিংথুংদবা করি লৈরগে হায়বনে?

মতৌলৈবী :- দাদানা ঐগী নীংথুংদবা অৰাৎপা অমত্তা লৈহন্দে, ইমা-ইপা লৈতে হায়বগী অৰাবসু খঙহন্দে, ঐগী নুংঙাইতবা অৰাৎপা অমত্তা লৈতে অদুবু ....।

শিলহেনবা :- অদুবু কৈদৌরবা, করিনো নঙনা হায়নিংলিবদো অমুক কোইথোক্তুনা লৈত্রসু কোক হেক হায়রোনে।

মতৌলৈবী :- হৌজিক্তি দাদাসু মতিক চাবা মীওই হায়বদুমা ওইরে, ইনভাইরোন্টমেন্ট দিপার্টমেন্টগী অচৌবা পোস্ট অমসু পাইরে অদুনা ঐখোয় য়ুমসিগী য়ুম্বুরেন্বী অমা য়াম থুনা পুরকও হায়বনিদা।

শিলহেনবা :- ওহ.... ওহ.... নঙনা হায়রিসি .... উম..... ঐ ভাব তারে (খঙনোক নোকপা) ননম্মা পাম্মে অদুনা ননম্মা পুশিনলকও হায়বনিনে..... হায় হৈপা শাবী..... ইবেমপোক, নঙনা তৌগদবা নথৌ, নহে নশিং মতিক চানা তানশিনগদবশিং অদুদা নপুকনিং চংগেদি হায়দ্রদনা নঙনা অমুক হৈপা শাবিরিনে, হায় ননাদু লৈউরা নঙ .... (মনা লৈবগী মওং)।

মতৌলৈবী :- অয়ো ইমা...... অয়ো ইমা ...... সে দাদা.... দাদা থাদোকও হায়বনে, নাই হায়বনে (পেরি পেরি ঙাংবা)।

শিলহেনবা :- নঙ মতুং মনাও হায়খিদরা হা, হৈপা শাখিদরা হায়বা.....

মতৌলৈবী :- হায়জররোই সে থাদোকও হায়বনি (ফোন রিং লাকপা)......এ! ঐগী ফোন লাকপা মাল্লে.... সে দাদা থাদোকও হায়বা....।

শিলহেনবা :- নঙ ফোন লাকঅমদ্রদি খঙগদবনি নঙ ননাদু তৎপমখৈ লৈথৎলমগদবনি।

মতৌলৈবী :- মে ঙমসু ঙমলোইদবদা..... হো খাখং অরিবো (লক্করম্বা, ফোন রিসিপ্ত তৌবা চংখিবা)

শিলহেনবা :- (শিদখৈ নোকপা) মসি.... মসি..... য়েংঙুনে মসি মচিনশে কয়াদা য়াওখ্রবনো।

মতৌলৈবী :- ঐখোয় দাদা ঙাংনরিঙৈদা ফোনসিসু তৎখ্রেনে, কনাগী ফোন নম্বরনো সিবো? সেব তৌবা নম্বরসু নৎতেনে, ঐ অমুক কোল বেক তৌরগা য়েংগে (কি পেদ নম্বগী মওং)।

মনিমুক্তা :- হল্লো....মতৌলৈবী ঐ ফোন তৌরকঅম্বনি হৌজিক্তা নঙোন্দা।

মতৌলৈবী :- উম খঙঙে, ঐনা পায়গে তৌবদা ফোন তৎখিবনা হানলবা, করি অথুবা লৈরগে...।

মনিমুক্তা :- ইবানি পি.ঐইচ. দি. তৌনবগী এপ্লিকেসন থাখিবদো রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়ারনি হায়বগী নোটিশ থোক্লবনি ঙসি লাষ্ট অৱারদা, ইবানিমক রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়ারনি।

মতৌলৈবী :- এ! অদুদি য়াম নুংঙাইবা পাওনি, ইবানিগী রিছার্চ গাইদতি ঐখোয়না খনলম্বদু ওইরবো।

মনিমুক্তা :- উম! সার চলাম্বগী রিছার্চ গাইদ মখাদা তৌবা তারে।

মতৌলৈবী :- অস! অদুদি য়াম নুংঙাইরে, হয়েং অয়ুক পুং ১০.৩০ গী অদুৱাইদা য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা ওইনা উনরশিরা।

মনিমুক্তা :- উম মদুনা ফরনি অদুদি হয়েং পুং শোয়নদবি য়ারেকো....।

মতৌলৈবী :- উম শোয়নদবি, ফোন থম্মে....।

শিলহেনবা :- হায় কনানোনে নঙনা ফোন্দুদা অদুক কুইনা ৱারী শানরিদুবো।

মতৌলৈবী :- (হরাওবা) দাদা! অদুবুরো পি.ঐইচ.দি.তৌনবগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়ারনি হায়না ঐখোয় ইমান্নবা মনিমুক্তানা হায়রকইবা।

শিলহেনবা :- মনিমুক্তা হায়বু কনানোনে, ঐবু অমুক্তা হান্না নঙগী নমান্নবা মনিমুক্তা কৌবা অমা লৈ হায়বসি তাখিদরি, ঙসি তারিসিনি। মাবু ঐখোয়দগা লাকঅমলবরনে হান্না।

মতৌলৈবী :- ঐখোয়সিদবুদি অমুক্তা লাক্তরি, ঐনসু হান্না দাদাদা মাগী মরমদসু ৱারী অমুক্তা শাদরি, মমাং চহিগী ঐখোয়গী এম.এ.সি. ইনভাইরোন্টমেন্টেল সাইন্সকী ইগজামদা ফার্ষ্ট ক্লাস তাখিবা ষ্টুদেন্টনি, য়াম্না ফবা মীনি দাদা।

শিলহেনবা :- কদায়দগীনোনে, কনাগী মচা মশুনো?

মতৌলৈবী :- ঐখোয় স্বাইদগীবুদি নৎতে, খরা থাপ্লা মফমদগীনি, মোয়গী খুন্দুবু ..... আ... উম অৱাং খুনৌ হায়বা ওইরমানলে, মখুরানা য়োকপনিসু হায়, মোয় মখুরাদু এম.এ.সি. এগ্রি লোয়রগা গোভর্নমেন্ট জোব তৌদনা মশাগী ফার্ম তৌদুনা লৈবা এগ্রিকলচরিষ্ট অমনিসু হায়গুম তৌই।

শিলহেনবা :- কনানোনে নঙনা হায়রিসিবো, করি মমিং কৌই হায়গে মোয়গী মখুরাদুবো।

মতৌলৈবী :- মমিংদুবু খরা শাংবনিনে..... আ.....উম.... ফাইরেঞ্জাও হায়বা ওইরমানলে।

শিলহেনবা :- ফাইরেনজাও হায়বা, ঐনা খংলিবা তাদা ফাইরেনজাওসি ওইরমদুনা তোল্লরনি, মাদি গোভর্নমেন্টকী থবক তৌদৌ শরুক মশাগী লৌ ইংখোল মরাং কায়না লৈবনিনা লৌউ শিংউদুনা, ফার্ম তৌদুনা নুংঙাইনা শান্তি ওইনা লৈজনি হায়দুনা লৈবা মীনি। ফরেসে ওইনিংবা অমা ওইজরসনু, নঙসু নঙনা তৌগদবশিংদু তৌজরুরো, ঐসু ভারতকী হৌজিক ওইরিবা ক্লাইমেৎ কন্দিসনগী মরমদা ইবা লাইরিক ক্লাইমে জোনস ইন ইন্দিয়া হায়বসি ঙহাক্তা সুম পাখিগে।

মতৌলৈবী :- হোয় তাচৌ, ঐসু ঐগী রিছার্চ ৱার্ক প্লানশিং শেমদোকলুখিগে।

-ম্যুজিক-

(মফম : ফাইরেনজাওগী য়ুম, মতম: নুংশা হাইগৎলকপা মতম)

ফাইরেনজাও :- তম্পাকলৈমা..... তম্পাকলৈমা..... নঙবু কদোমদা লৈগে, ঐগী কোক্তা পুরকলিবা কোবী বোরাসি অমুক্তা থারোলাওনে, লুম্বনা লোইরেনে ঐবো।

তম্পাকলৈমা :- তারে তারে, লাকলে লাকলে (হাথু হাথু থোরকপা), কৈনো কোবী বোরাদুবু অদুক লম্না পুবিরকলিদুবো, অঙা পাখংশি ফার্মদা থবক সুবশিংদুদা পুহনবিরকপা কৈদৌবগে (বোরা কোক্তগী থাংথবা)।

ফাইরেনজাও :- মোয় পুম্নমক ফার্মদা হৌরিবা মনা মশিংশিং, নহাল কন্না মতম চাদনা চুখিবা নোংদুনা মাংহনবীরম্লবা ময়ামদো ফুকতৎপা, লেনথৎপা, মকা হেকপা য়াবনা হেকতৎপা তৌহনলমলিবনিনে, খামনেনশিনবা লৈবাক্তা তাইননা পানবশিংদুসু অয়াম্বা পাৎশিনহৌরে লোয়না হেকথৎলো হায়রম্লবনি, অদুগা অফবা খনগৎলগা য়োনবা য়াবনা য়োম্হোক্লবা হায়রম্লবনি।

তম্পাকলৈমা :- মতম চাদনা চুবা নোংনা ঐখোয় লৌমীশিংদদি কয়াদা অমাংবা থোকহনলিবা, হন্দক চহিসিদা মফম মতম চাদনা নোং পংচুদা চুবা অমা তৌরক্লি, মমাং চহিদনা নোং তাগদবা মতমদা নোংলিক অমা ফাওবা তাখিদুনা কয়াদা ৱানখ্রবা, অসুম্না নোংজু-নুংশাগী ফীভমদা অকায়বা ওইরকপসিনা লৌউ শিংউবগী পোৎথোক কয়াদা মাংহনলিবা।

ফাইরেনজাও :- অচুম্বনি নঙনা হায়রিবদু, ভারতকী লৌউ শিংউবগী থবক অসিদি অয়াম্বনা কুমগী নোংগী মখা পোন্না উবনিদো, অদুনা নোংজুগী চাং ৱাৎনা তাবা অমদি চাং হেন্না তারবদি পোৎথোক মতিক চানা পুথোকপা ঙমলোইদৌরিবনি, পোৎথোক ফজনা পুথোকপা ঙমদবা চহিশিংদদি পোৎকী মমল খংৱাং ৱাংখিদুনা চাক তাংবা থোক্তুনা লাইরবা কয়াদি চরা হেনলিবনি।

তম্পাকলৈমা :- মোয়কাকা, মলেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং অমদি ঐখোয় ভাতরকী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিং অসিগী অইং অশাগী চাংশি অমতা মান্নদেকো, মফম খরদনা য়াম্না শাই, খরদনা য়াম্না ইংঙি অদুগা অমুক মফম খরদনা নোংগী চাং ৱাৎনা তাই খরদনা অমুক কাহেন্না তাই অমত্তা মান্নদেকো।

ফাইরেনজোও:- উম মান্নদে, অদুগা হৌজিক মালেম অসিদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী লম অমগী মশাগী হান্না লৈজরম্বা অইং অশা, নোংজু-নুংশাগী চাংদা খংহোং হোংবগী মওং মতৌ কয়া ওইরক্লি। নোংচুপথংবা ভারতকী সেমি-দিজার্ট, মরুভুমীগী শরুকশিং অসি হৌজিক শাবগী চাং ৱাংখৎলকপনা মরম ওইরগা নোংজুগী চাং ৱাংখৎলক্লি অদুবু নোংজুগী চাং অসি ২০৫০ গী মতুংদগীদি হৌজিক লৈরিবা চাং অসিদগী চাদা ১০ দগীনা ২০ ফাওবগী চাং হন্থখ্রগনি হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা পানরি।

মনিমুক্তা :- (চংঙকপা) কাকা ..... ইমামচা করি ৱারী শারম্মীনো?

তম্পাকলৈমা :- অইং-অশা, নোংজু নুংশাগী খল কাইথরকপদগী থোরকপা অমাংবশিংগী মরমদা নোয় কাকাগা ৱারী সুম শারম্বনিদা, য়েংঙুনে হন্দক মতাং চাদনা তাখিবা নোংনা ঐখোয়গী মনা-মশিং অয়াম্বা মাংহনলেদনা।

মনিমুক্তা :- অচুম্বনি ইমামচা, ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা লৌউ-শিংউবগী পোৎথোক্তা চাওনা অকাইবা ওইহনলবনি, হৌজিক চৎলিবা চহি চা অসিনা লোইরকপা অদুৱাইদদি অৱাং থংবা ভারতকী শরুকশিংদা হৌজিক শারিবা চাং অসিদগী সেলসিয়স ডিগ্রি ৩.৫ দগীনা ৫ ফাওবগী চাং য়ৌনা শাবা হেনগৎলক্লগনি হায়না হায়রি অদুনা গুজরাটকী আনন্দ এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী এগ্রিকলচরেল মেটরিওলোজিকেল ডিপার্টমেন্টকী রিপোর্টকী মতুং ইন্না নুংশিৎতা য়াওবা কার্বোন ডাইওক্সাইদকী চাং ৱাংখৎলকপদগী শাবগী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা গেহু অমদি চুজাক্কী পোৎথোক হন্থরক্লগনি হায়রি।

ফাইরেনজাও :- ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা মরুভুমীগী শরুকশিং কা হেন্না শাগৎলকপা অমদি ঈশিংগী শরুক অসুম হন্থখিবতা নৎতনা থুমহিগী চাং ৱাংখৎলকপনচিংবসু থোক্লকলিবনি।

মনিমুক্তা :- অদুবু কাকা! ইং ২০০৬ তা ইখং খংহৌদনা য়াম্না থাজদবা মওংদা নোং কা হেন্না চুবদগী রাজস্থানগী বারমর দিষ্ট্রিক্টকী মফমশিংদা ইচাও থোকখি, ইচাও অদুনা মরম ওইরগা মীওই কয়াগী পুন্সি মাংবতা নৎতনা শা-ঙা, পান্বী অমদি থৱায় পানবা কয়াবু মরু ফংনা অমাং অতা থোকহনখি।

তম্পাকলৈমা :- ইবুংঙো পুন্নমকসি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ হায়বদু ওইরকপদগীনিকো।

মনিমুক্তা :- মনি ইমামচা, ককা! ঐগী পি.ঐচ.ডি. রেজিষ্ট্রেসন তৌবদু ঙসি তৌথোকলুরগে, হৌজিক ঐখোয়গী মাংথরক্লবা মহৌশাগী ফীভমশিং অসি কনবা ঙম্নবা থবক কয়া পায়খৎতবা য়াদবনি, ঐ পুক্নিং চংনা ঐগী রিছার্চ ৱার্ক মায়পাক্লবা হোৎনদবা য়াদে।

ফাইরেনজাও :- হোৎনগদবনি ইচাশিদি, নথৌদা পুক্নিং চংগদবনি, মীথোই মীহেনবা ওইগদবনিকো, সে সে কাকাগী এটিএম কার্ডসি পুখরো অদুগা নঙনা রেজিষ্ট্রেসন তৌবদা চংগদবা শেনফমশিং অদু লৌরো।

মুনিমুক্তা :- হোয় কাকা, অদুদি ঐ অমুক চৎলুখিগে কাকা (গাড়ী থৌখিবা)।

তম্পাকলৈমা :- হায় ফজনা চেকশিন্না থৌকো গাড়ীদো, নঙগী থবক্তু শৎ লোয়রগা হনলকউকো লমফৈ চৎতুনা লৈথোক্কনুকো...।

-ম্যুজিক-

(মফম:- য়ুনিভর্সিটি কেম্পস, মতম: অয়ুক পুং ১১ মুক তাবা মতম, ছাত্রা-ছাত্রিশিংনা লাংবগী মখোল)

শিলহেনবা :- আদা লেপ্পীসিবু ঐখোয়গী মতৌলৈবী নৎতরনে, কৈদৌরিনো মাদি মাগী ডিপার্টমেন্টতা চংগেদি হায়দ্রদনা বোরোয় পান্বীসিগী মখোংদা শুকথরগা লেপ লৈরিসিনা (গাড়ী খংখাম খান্বা)... হায় কৈদৌরে ইবেম্মা নঙদি অদুদা লেপ লৈরদি, নঙবু রেজিষ্ট্রেসন তৌরুরবরো?

মতৌলৈবী :- দাদাদি সিদা কৈদৌবা লাকইবা, ঐদি খঙবু খঙলুরে, রেজিষ্ট্রেসনগা অমতা তৌরুদ্রি।

শিলহেনবা :- কৈদৌরবা হৌজিক ফাওবা তৌদ্রিদি, নঙনা ঙন্তা য়ুমদগী থোকখ্রিদুদি সিদা লেপ্পুনবা ওইরে, ঐসু নোয়গী ডিপার্টমেন্টগী ওজা য়াইফবা উন্নগে হায়দুনা লাক্লিবনিনে।

মতৌলৈবী :- ঐখোয়গী ইমান্নবা মনিমুক্তা ঙাইরম্মীনি, মাগা পুন্না কেশ সেক্সনদা চৎমিন্নগে হায়দুনা, কৈদৌরবনো খঙদে হৌজিক ফাওবা লাক্তরে।

শিলহেনবা :- লাকচনিদা, লম্বী চীন্দুনা থুনা য়ৌরকপা য়াদদুনা তৌরম্বসু য়াই।

মনিমুক্তা :- (প্রপ প্রপ গাড়ী থৌজিল্লকপা) মতৌলৈবী ! কয়াম কুইরে ঙাইবা, ঐ খরা থেংদোকখরে শাওবা য়াদেকো।

শিলহেনবা :- ইবুংঙোরা মনিমুক্তা হায়রিসে?

মনিমুক্তা :- অহোয় মানি, সোম কনা ওইবিরবনো, ঐ শোমবু লাকশিনবা ঙমজদরে।

শিলহেনবা :- ঐগা ইবুংঙোগা উনরিবসি ঙসিনা অহানবনি, ঐগী মরমদা ইবুংঙোদি খংলল্লোই, ঐনদি ইবুংঙোগী মরমদা য়াম্না মুন্না খঙঙি।

মতৌলৈবী :- ঐখোয় দাদানে, শক খঙনৌও।

মনিমুক্তা :- ওহ ! অদুদি দাদা শিলহেনবা, ঐ দাদাবু খঙজরুদরে ৰারৌবীগনুকো দাদা।

শিলহেনবা :- ইবুংঙোহোয়গী য়ুম্নাকসে অকোইজম ওইরবরা?

মনিমুক্তা :- অহোয় মানি দাদা, করিগী ওইবিরবনো অদুক কুপনা হংবীরিদুবো?

শিলহেনবা :- অদুদি নঙ তাদা অকোইজম ফাইরেনজাও, এগ্রিকলচরিষ্টকী মচানুপা চুম্মেকো।

মনিমুক্তা :- উম চুম্মী, করি তৌবা য়াওরগে দাদানা অসুক কুপথনা হংবীরিসিবো (পাখৎপা)।

শিলহেনবা :- (নোকপা) কৈসু তৌবগী নৎতেদা নখোয়গী বাবাদো ঐগী য়াম্না নুংশিবা ইয়াম্বশিংনি, য়াম্না লুনা তিন্নখ্রপোৎনি। চৎলো চৎলো নোয় অনিনা তৌগদবদু তৌজরুরো ঐসু চৎলগে অদুগনে নোয় বাবাদা ঐ লাক্কনি হায়য়ুকো (গাড়ী থৌখিবা)।

মতৌলৈবী :- লাকও থেংখ্রনি চৎসি লাকও।

মনিমুক্তা :- ঐদি ইপা হেক পাখৎলুরে, মীহুনগসে আ য়ৌখরে, লাকও চৎসি লাকও।

-ম্যুজিক-

(মফম: ফাইরেনজাওগী য়ুম, মতম: অয়ুক, নুংশিবা উচেক-ৰায়াগী খোঞ্জেল)

শিলহেনবা :- (গাড়ী খামখিবগী মখোল) লাকওহে ইবেম্মা, মনিমুক্তাহোয়গী য়ুম য়ৌরে, চংঙসি লাকও।

মতৌলৈবী :- মনিমুক্তা হোয়গী ইমুং-মনুংসিদি ঐখোয় দাদানা ওইনা লোয়না হান্না খঙ লৈরম্মে, ঐদি ইঙকপু ঙকউরে।

তম্পাকলৈমা :- কনা উনবীগদবা ওইরবনো, কনা থীবিরকপনো।

শিলহেনবা :- ইতৈমা তম্পাকলৈমা ! ঐ খঙদ্রবরো... ঐ শিলহেনবনে।

তম্পাকলৈমা :- হায়মা ! শিলহেনবা, ইতৈমদি নঙসে কুইনা উনখিদবদুদা নশক্কা খঙুদরে, কদোমদগীনো তৌরকইসিবো, লাকও ইমুংদা চংঙসি লাকও, আ ইবেম্মসিনা কনা।

শিলহেনবা :- ইচলনুপীনে, ইমাগা-বাবাগনা পীশক পীক্লা হুন্দোকপীরম্লবী মতৌলৈবীদুনে।

তম্পাকলৈমা :- কনানা খঙনি পিশক পীক্লা উখিবদুদগী ঙসি লৈশাবী ফারকানসিদা উরিসিনি, ঐদি ঙসিসে মঙগা চপ হেক মান্নরে।

মতৌলৈবী :- ইমা... উম... মনিমুক্তাদি লৈবা উদে কদোমদা চৎথোকখিগে (ইকায়না হংবা)।

তম্পাকলৈমা :- হায়মা ! ঐখোয় মনিমুক্তাগা নঙগসু খঙনবরা হায়মী, অস ঐদি পুমঙক ঙক্লেদা তৌরিসে।

শিলহেনবা :- তাদা ফাইরেনজাওসু উদে, কদোমদা চৎথোকখিগে।

তম্পাকলৈমা :- হো মপা মচাদো মনিংগী মরোয় নাকুপ্পী থাবা লৌফমদু হন্দক নোং মতম চাদনা তাখিবদুদা অকুৎ অকুৎপা মফমশিংদুদা ঈশিং তুংশিন্দুনা লৈরিবদু ইঞ্জিন তৌরগা চীংথোক্কনি হায়দুনা তৌরিয়ে, ঐ কৌগে... সে সে ঙহাক্তা সিদা মেন তানা ফম্মুসে।

মতৌলৈবী :- ইমাহোয়গী স্বাইসিদি ইংনা চীক্লা য়াম্না নুংঙাইনা লৈবা মাল্লি, ঐদি স্বাইসিদবু লৈবু লৈনিংঙি।

তম্পাকলৈমা :- ইচানবু লৈনিংঙদি লৈথোকসু ঙাইদনা, ঐ নোয় কাকাহোয় কৌরুগেকো... হো মোয় কাকা... মোয় কাকা... ইবুংঙো... ইবুংঙো মনিমুক্তা ... হো সোমদা য়ুল্লোমদা অমুক্তা থুনা লাকও, তারবো... থুনা অমুক্তা লাকও ...।

ফাইরেনজাও :- হায় কৈদৌরগেনে... কৈদৌরগে হায়বনে... কৈদৌরগে তম্পাকলৈমা নঙনা অদুক কন্না কৌরিদুবো (হোবে হোবে লাকপা)।

মনিমুক্তা :- ইমামচা কৈদৌরগে.. কৈদৌরগে হায়বনে... (পাখৎপা)।

তম্পাকলৈমা :- (ইশি শিনা নোকপা) করি মপামচানো খঙদে, হান্না হেক্তা পংপাদা পাখৎলি, তু য়েংঙুনে লাকইশিংসে, কনা কনানো য়েংঙু হায়বা।

ফাইরেনজাও :- হায় ! শিলহেনবা ওন্থোক্লা থাজদনা লাকইসিবো কদোমদগী হৌরকপা নোংহৌনোনে কুইরেদা ইচিল-ইনাও উনরক্ত্রিবা মতমসে।

শিলহেনবা :- মনিমুক্তাগা ঐখোয়গী ইবেম্মগা পুন্না ওজা চলাম্বগী রিছার্চ গাইদ মখাদা পি.ঐইচ.দি. তৌমিন্নগনি হায়বদুদা, মনিমুক্তাসি তাদগী ইচানি খঙলকপদুদা হেক্তা তাদগা উন্নরুরগে হায়দুনা লাক্লিবনি।

মতৌলৈবী :- ঐসু ঐখোয় দাদাগী মতুং ইন্দুনা যুম খংবা ওইনা লাকচরিবনি।

মনিমুক্তা :- ইমামচা ! ঐ ময়াম থক্লুবা চা লোল্লুখিগে।

শিলহেনবা :- চাগা লোল্লুখিনু, লাওনে সিদা ফল্লোরাও, ৰারীদুম শান্নখিসি লাকও, ঙসিদি যুমদগা পাক হল্লরোইদবনি। তাদগী ফার্মনা কমায় কমায় তৌরিবা।

ফাইরেনজাও :- খঙদরে ইবুংঙো, কুম অমদনা ঈশিং হেক চাও, কুম অমদনা ইকং হেক থোক, পোৎথোকসে ফজনা পুথোকপা ইঙম ঙমদরেদা। চীঞ্জাক পুথোকপগী চাং অসি সুম সুম হন্থরকপদৌনা তৌরে।

শিলহেনবা :- তাদা, ইউনাইটেদ নেসন্সগী ফুড এন্দ এগ্রিকলচরেল ওর্গানাইজেসন (এফ.এ.ও.) গী রিপোর্ট মতুংইন্নসু মালেমসিদা চীঞ্জাক পুথোকপগী চাং হন্থরক্তুনা মীওই কয়া চাবা ফংলক্তনবগী মরম ওইরক্লিবসি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগীনি হায়রিদুদি।

মতৌলৈবী :- হৌজিক এটমোস্ফিয়ারদা য়াওরিবা কার্বোন ডাইওক্সাইদকী চাং ৪০৫ দগীনা ৪১৫ পি পি এম ওইরিবা অসি ৫৭৫ পি পি এম দগীনা ৭৪০ পি পি এম য়ৌনা ৰাংখৎলক্লবদি মালেমগী উমংগী শরুক চাদা ৮ লোমদি মাংখ্রগনি হায়রি অদুনা হৌজিক লৈরিবা থৰায় পানবগী চাং অসিদগী তংখায় অমরোমদি মুৎখিবা য়ানা লৈরে হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা পানরি।

তম্পাকলৈমা :- ইস ! ইমাইপেন্মা ইমাইপেন্মা পুন্নমকসি ঐখোয় মীওইবনা থোকহনজবা, ওইহনজবা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ হায়বদুননিকো।

-ম্যুজিক-